ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

‘মরী লৈনদে’

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ : ইন্স্পেক্ট টি ভিনা থা অসিগী ২৪ দা পাউদমখিবগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি জে কে লান্মীনা ফারে হায়রিবা কৈশাম ওংবী ময়াংলম্বম সনাতোম্বী (৩৫) এলিয়স রিয়াজ, লৈফম কাচিখুল মমাং লৈকায় অসি য়ূম পান্দুনা মচা অনী লৈরিবা মীওইনি। কুমজা ২০১২গী দিসেম্বর ২৬ তা য়ূম-কৈ পানবগা মরী লৈননা পার্টিদগী দিসচার্জ তৌখ্রবা মীওইনি হায়না রেভল্যুসনরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটি বঙ্কিমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, আর পি এফতা য়ূম পাল্লবা মৌ অমত্তা পার্টিগী থবক শীন্নবা লৈতে। মৌ ওইরবশিংগী রেঙ্ক অমদি ফাইল পীবসু লৈতে। দিসচার্জ পীখ্রবা মতুংদগী হায়রিবা মীওই অসিগা আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী শঙলূপ পি এল এগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কোলেজ ৱিক

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ : ওর্গনাইজিং কম্মিটি এন্দ ওল মেম্বরস ওফ জেনিমস ষ্টুডেন্টস এসোসিএসননা শিন্দুনা জেনিমস কোলেজ ৱিল, রিদম-২০১৮ ঙসিদগী জেনিমসকী প্লে গ্রাউন্দদা হৌখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদু হেল্থ সার্ভিসেস মণিপুরগী ডিরেক্টর কে রাজোনা চীফ গেষ্ট, জেনিমসকী ডিরেক্টর প্রো. টিঐচভিমোনা প্রসিডেন্ট, জেনিমসকী দিন (একাদেমীক) প্রো. দল্লিয়ু গ্যানেশ্বর অমদি মেডিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. এন রনবিরনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। কোলেজ ৱিক অসিদা মহৈরোইশিংনা পূক্লিং হকচাং য়াওনা শরুক য়ারনবা আপীল তৌনখি।

GAS NEWS

ATHOKPAM INDANE WANGJING & KHONGJOM
Booking Upto:30/01/2018
Valid From:19/01/2018
Stk : 612
(Submit Aadhaar Xerox)
Timing:07.30am to 10.0am

HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE
Booking Upto:14/02/2018
Valid From:07/02/2018
Stk : 612
(Aadhaar Link consumers only)
Timing:07.30am to 10.30am

IMPHAL LPG SRVICE SL.NO. 51050
Booking Upto:16/02/2018
Valid From:20/11/2017
Stk : 306, 19kg Stk:180
(Delivery at Heinoupok Godown)

K&K INDANE SERVICE
Booking Upto:20/02/2018
Valid From:09/02/2018
Stk : 612
Timing:07.30am to 11.00am
(First Come First Serve)

KHORIPHABA, NAMBOL SL.NO. 5735-6093
Booking Upto:24/02/2018
Valid From:21/02/2018
Stk : 306 (CTC)
Timing:07.00am to 10.00am

KHONGNANG GAS AGENCY NINGTHOUKHONG
Booking Upto:09/02/2018
Valid From:06/02/2018
Stk : 306
Timing:07.30am to 10.30am

LAMBODARA INDANE
Booking Upto:28/02/2018
Valid From:26/02/2018
Stk : 612
Timing:07.30am to 10.00am

MM GAS SERVICE
Booking Upto:02/02/2018
Valid From:29/01/2018
Stk : 612 (DBTL) Rs.798/-
Timing:07.00am to 10.00am

MAIBIA GAS, MOIRANG
Booking Upto:03/02/2018
Valid From:27/01/2018
Stk : 306
Timing:07.00am to 11.00am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto:05/02/2018
Valid From:31/01/2018
Stk : 612 (DBTL)
Timing:07.30am to 09.30am

MANIPUR POLICE GAS
Booking Upto:28/02/2018
Valid From:24/02/2018
Stk : 306
(Only for CTC & DNSC)
Timing:10.00am to 01.00pm

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto:06/02/2018
Valid From:15/01/2018
Stk : 612
Timing:07.30am to 10.30am

HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto:10/02/2018
Valid From:09/02/2018
Stk :306
Timing:07.00am to 10.00am

J RONGMEI SK, WANGOI
Booking Upto:10/02/2018
Valid From:07/02/2018
Stk : 306
Timing:06.30am to 09.30am

KHUMBONG INDANE
Booking Upto:20/02/2018
Valid From:18/02/2018
Stk : 306
Timing:07.30am to 10.30am

কুমজা ২০২০ ফাওবদা মণিপুরদা মেলেরিয়া মুখৎননবা পান্দম থল্লি : সুরচন্দ্র

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২০ ফাওবদা মণিপুরদা মেলেরিয়া ইলিমিনেট তৌনবা পান্দম থল্লি হায়না ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসর ডো. টি ঐচ সুরচন্দ্রনা ঙসি লম্ফেলদা লৈবা ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ভেক্টর বোর্ন দিজিজকী এদভোকেসি মীটিংদা হৌদোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট ভেক্টর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল সোসাইটিনা শীন্দুনা প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ ভেক্টর বোর্ন দিজিজ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা মীদিয়া পর্সনেলশিংগী ওইবা এদভোকেসি মীটিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ডো. টি ঐচ সুরচন্দ্রনা হায়খি, নেসনল ভেক্টর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা ভেক্টর বোর্ন দিজিজশিং কন্ট্রোল তৌনবগী তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরাং কয়া লৌখৎলি। ষ্টেট অসিদা কাঙদগী শন্দোকপা লায়না মখলশিং মেলেরিয়া, দেঙ্গি অমদি জপানিজ ইনকেফেলাইটিসকী অনাবা থেংনরি। মেলেরিয়াগী ওইনদি নাবগী চাং অসি য়াম্না হন্থরে। মেলেরিয়া লায়নাবু শন্দোক্লিবা কাঙ মখল অসিসু মণিপুরদা লৈবগী চাং অসি হন্থরক্লে। কুমজা ২০২০ ফাওবদা মণিপুরদা মেলেরিয়া ইলিমিনেট তৌনবা পান্দম থল্লি। মেলেরিয়া লায়নাদগী ঙাকথোক্লবা প্রোগ্রাম কয়া অমসু পায়খৎলি।

মেলেরিয়া, দেঙ্গি অমদি জপানিজ ইনকেফেলাইটিজনচিংবদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং কয়মরুমসু লৈ। লাইহৌগা লোয়ননা অনাবগী মশা থক-থক নীকপা য়াওরবদি মনাক নকপা হেল্থ সেন্টর, অশা নৎত্রগা হেল্থ ৱার্করশিংগা তানরগা মেলেরিয়া ওইব্রা হায়বদু ঈ টেষ্ট তৌদুনা খঙদোকপীয়ু। মেলেরিয়া ওইরল্লবদি মনাক নকপা হেল্থ সেন্টর, অশা নৎত্রগা হেল্থ ৱার্করদগী হীদাক লৌরগা চাবীয়ু। মফমশিংসিদা মেলেরিয়াগী হীদাকশিং ফংহনবনি। অরুম লাইহৌ কন্না হৌবা, কোক য়াম্না কন্না চিকপা, মীৎকী মনুং থংবা শরুক্তা চিকপা, কোক ঙাওবা, ওনিংবা, পূক লেংখৎপা, মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বা, ৱাখল মাঙবা, ৱান্থবনচিংবা তৌরবদি দেঙ্গীগী লায়না ওইবা য়াই। অথুবা মতমদা অচৌবা হোস্পিটালদা চৎতুনা ডোক্টর তানবীগদবনি। রিমসকী মাইক্রোবাইওলোজি দিপার্টমেন্টতা লেম্না ঈ চাংয়েং তৌবগী খূদোংচাবসু ফংগনি। কোক চিকপা, অরুম হৌবা, ৱাখল চোইবনচিংবা তৌরবদি জপানিজ ইনকেফেলাইটিস হায়বা লায়না অসি ওইবা য়াই। লায়ওং অসি লাক্লবদি অথুবদা হোস্পিটালদা চৎতুনা ডোক্টর তানগদবনি। জেনিমসকী মাইক্রোবাইওলোজি দিপার্টমেন্টতা লেম্না ঈ চাংয়েং তৌবগী খূদোংচাবসু ফংগনি। লায়নাশিং অসিদগী ইশা অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা নাহন্দনবা খ্বাইদগী ফবা উপায়দি কাঙ চিকহন্দবা, নুমিদাংগী মতমদা হকচাং পূম্না কুপ্পা ফুরিৎ, খোঙ্গ্রাউ শেৎপা, হীদাক লুপথোক্লবা কাঞ্জল খল্লগা তুম্বা অসিনচিংবনি। যূমগী অকোয়বদা কাঙ মচা কোকহন্দনবগীদমক যূমগী মনুং অমসুং অকোয়বদা য়ারিবমখৈ ঈশিং তুংবা মফম লৈহল্লোইদবনি। ঈশিং হাপ্পা পাত্রা খূদিংমক মখুম কুপ্লগা থম্বা তঙাইফদে। ঈশিং তুংদুনা লৈবা মফমদা কাঙ মচা কোকপা ঙম্মী। গাড়ী টায়র ফত্তবনচিংবা লংথোক্তুনা থম্বা মতমদা মনুংদা ঈশিং চঙশিল্লগা কাঙ মচা কোকপদা খূদোংচাহল্লি। গাড়ী টায়র ফত্তবশিং থম্বা তারবসু হুৎতোক্লগা ঈশিং তুংহন্দনবা হোৎনগদবনি। কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্লবা য়াম্না মরুওইবা পাম্বৈদি কাঙ চিকহন্দবা অসি ওই। হীদাক লুপ্পা কাঞ্জল খল্লগা তুম্লবদি য়াম্না ফৈ। মফম অমদা করিগুম্বা কাঙনা শন্দোকপা লায়না মখলশিং অসি নারে হায়বা খঙলবদি মফম অদুগী অকোয়বদা ফোগ্গিংনচিংবা তৌদুনা থৌরাং কয়াসু লৌখৎলি। য়ারিবমখৈ কাঙ চিকহন্দনবা হোৎনগদবনি।

ষ্টেট অসিদা মেলেরিয়া নাবগী চাং অসি য়াম্না হন্থরে। মমাংগী চহীদা কেস ৮০ রোম থেংনখি। চৎলিবা চহী অসিগী হৌজিক ফাওবদা কেস মশীং য়াম্না ফংদ্রি। জাপানিজ ইনকেফেলাইটিজগী ওইনা কুমজা ২০১৭ তা সস্পেক্টেদ কেস ১১২৫ টেষ্ট তৌবদা কেস ১৫৬ কনফর্ম তৌবা ঙমখি। দেঙ্গীগী ওইনা মমাং চহীদা সস্পেক্টেদ কেস ১২৭৩ টেষ্ট তৌবদা কেস ১৯৩ কনফর্ম তৌখি। জপানিজ ইনকেফেলাইটিজগী ভেক্সিনেসন-নচিংবা কয়াসু লৈ। মসি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা য়াম্না মরুওইবা পাম্বৈ অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসকী বাইওলোজিষ্ট টি কামিনিনা ফোঙদোকখিবদা, মেলেরিয়া, জপানিজ ইনকেফেলাইটিজ অমসুং দেঙ্গি হায়রিবা কাঙদগী শন্দোকপা লায়না মখলশিং অসি মণিপুরদা থেংনরে। কাঙদগী শন্দোকপা লায়নাশিং ঙাকথোক্লবগীদমক প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। ষ্টেট অসিদসু হৌখিবা চহী কয়া অসিদা থৌরাং কয়া পায়খৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি। তুংদা কাঙদগী শন্দোকপা লায়নাদগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীবা শোর্ট ফিল্ম অমসু রিলিজ তৌখি।

থিয়েটর ওলেম্পিক্স লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস): নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা, দিল্লিনা শীন্দুনা মণিপুরগী কোরস রিপর্টরি থিয়েটরগী স্রাইন প্লে হাউসতা চত্থরকখিবা নুমিৎ মাপননিগী থিয়েটর ওলেম্পিক্স ঙসি লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি আর আর রশমিনা হায়খি, লৈবাক কয়াদা থিয়েটরগীদমক্তা রতন থিয়ামনা হোৎনরকপা কয়াদুনা থিয়েটর ওলেম্পিক্স পাঙথোক্লিবনি।

থিয়েটরগা শৈরেংগা পূন্না চৎমিন্নৈ হায়বসি ঙসি উৎখিবা *মেকবেট* তাকই। ট্রেজিদি হায়বসি মীওইবদা য়াওবা মচাক অমনি। ইমোসনেল ট্রেজিদি হায়বসিনা থিয়েটরদা ক্রিয়েট তৌবা অমসুনি। মরম অদুনা থিয়েটর য়েংলিবশিংদা ৱাখল খন্থহন্নবগী ঈথিল অমা পীরি।

থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর ইন-চার্জ এন জি উত্তমনা হায়খি, থিয়েটর ওলেম্পিক্স মণিপুরদা পুরক্তুনা পাঙথোকপা ঙম্বা হায়বসি ঐগী ওইনদি য়াম্না চাওথোকচৈ। আর্ট এন্দ কলচরগী দিপার্টমেন্ট পায়রকপা নুমিৎ ১৬ নি খক্তা ঙাইরি। মরম অদুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী অরুবা মচাকশিং খঙবা ঙমদ্রি।

অহানবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস) : দি কংলৈ মশেক মঙাল কলচর ওর্গনাইজেসন (কে এম এম সি ও) গী অহানবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপাল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পদ্মশ্রী এৱার্দী ৱারেপ্পা নবনা চীফ গেষ্ট, লৈমাপোকপম লাক্ষপতি সঙ্গিত নতক একাদেমী এৱার্দীনা প্রসিডেন্ট অমসুং খুমনথেম সুন্দরি, মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমী এৱার্দীনা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা ৱারেপ্পা নবনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর অসি কালাগী লমদা অথোইবা লৈপাক অমনি অমসুং কালাগী তুংনফম ওইরিবা লৈবাক অমনি। থাইনগী ইপা-ইপুনা পুক্কৈ চোন্না থম্বীরল্লিবা কালা অসিবু ঐখোয়না শীজিন্নবদা লোইবা নাইররোইদবা অমনি। লাইবক থিবদি পুক্কৈ থন্না থম্বীরল্লিবা কালা অসিবু তপ্না তপ্না মুৎশিল্লক্লি অমসুং ঐখোয়না উনা উনা মমি শাল্লকপা থেংনরি।

মহাক্লা হায়, মণিপুর অসিবু লৈপাক শিনবা থুংনা লেন্দ ওফ কলচরনি হায়না খঙনরিবা অসি কলচর অসিবু ঐখোয়না য়োকখৎনবা হোৎনদ্রগদি মীংথোন অসি তাবা ফংলক্লরোই। মসি ঙসিগী মীরোলনা নুংশিবিবা, মীয়াম্না য়েংবীদুনা হিংগৎহনবগী থবক অদু থেঙমল্লে। লৈপাক্কী থৌগাই পুবিরিবশিংনা থৱাই য়াওনা হোৎনবিরগদি কনবা ঙমগনি খল্লি।

লৈপাক্কী মীয়াম্না থৱাই য়াওবিদ্রবসু ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা কলচর ময়াম অসিবু কন্দবা য়াদে খন্দুনা থোরক্লিবা ওর্গনাইজেসন অসিবু থাগৎপা অমসুং ইকাইখুম্নজবা উৎচরি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

গুজরাটকী মাধবপুর মেলানা...

লামায় ১গী মখা... চহী অসিগী মেলাগী নুংগী ৱাখল্লোনদি প্রাইম মিনিষ্টরগী ‘এক ভারত শরেস্থা ভারত’ কেম্পেনগা মরী লৈনৈ। অৱাং নোংপোক লমদমগী জাৎথা অমা ওক্কদৌরিবদুনা ইষ্টকা ৱেষ্টকা শম্নবগী খুদম ওইরগনি হায়রি।

লৈঙাক্লা মীয়ামদা শকখিবা...

লামায় ১গী মখা... মণিপুর টুরিজম কোর্পোরেসনগী চ্যেরমেন ডো. সাপম রঞ্জননা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, হৈঙাং এরিয়া অসি ষ্টেট অসিগী মরুওইবা টুরিষ্টকী পম্থুং অমা ওইবা য়াবগী মচাক নীংথিনা লৈ। ষ্টেট অসিগী টুরিষ্ট সেক্টর চাউখৎহনবদা গভর্ণমেন্ট, মীয়াম অমসুং মীদিয়াগুম্বা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ।

পনবা য়াবদি, হৈঙাংদা মার্জিং পোলো কমপ্লেক্স শাবগী থবক অসি কুমজা ২০০৯ দা সেন্ট্রেল ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্সকী মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজম, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থুংগা লোয়ননা হৌখিবনি। সেঙ্কসন তৌখিবা শেনফমনা লুপা ক্রোর ২.৬৩ রোমনি।

সগোলবন্দ এ সীদা অহোংবা...

লামায় ১গী মখা... একাউন্টেবিলিটি লৈহনবা হায়বসি মহাক্কী পোলিটিক্সকী পান্দমনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, সগোলবন্দ এ সীগী মীয়ামদা এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট শেনফম হৌখিবা চহী ৬ অসিদা ফংহন্দুনা লাক্লি। চহী খূদিংগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা দিভলপমেন্টল ৱার্ক প্রোগ্রাম ফোঙদুনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্দুনা লাক্লি।

কুমজা ২০১৭-১৮গী ওইনসু সগোলবন্দ এ সীগী ওইনা পি দল্লিয়ু দি, পি ঐচ ঈ দি অমদি মাহুদকী মখাদা থবক কয়া পায়খৎখ্রে। মসিগী মথক্তা অহেনবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎনবা হোৎনরি। এ সী অসিগী মীহুৎ ওইগে হায়না খল্লগদি এ সী অসিদা চহী ৫ লৈদুনা থবক তৌবীয়ু। মীয়ামদা অরানবা ৱাফম শন্দোকপীগনু হায়নসু আপিল তৌখি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস) :

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ফোকলোং ভিলেজদা মিজলসনি চিংনবা লায়নানা পীক্লিবা অঙাং মরি লৈখিদবা অদুদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না জেলিয়াংরোং য়ুঠ ফ্রন্ট (জেদ ৱাই এফ)না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফোকলোং ভিলেজদা মিজলসনি চিংনবা লায়নানা মরম ওইদুনা অঙাং মরি মথংশিংনা, ইতিসিল ন্যুমে, বেবী ইটানিলা, ইলুংলৈ পামে অমদি হৈগুনতুং লৈখিদে। লৈখিদবা অসিগীদমক অৱাবা ফোঙদোক্লি। খুল অদুগী অঙাং ৭০ রোম হৌজিক নারি হায়না তারি। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তমেংলোংগী মেদিকেল টিমশিংনা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিনবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। খুল অদুদা মেদিকেল টিম চঙদুনা হীদাক লাংথক য়েন্থোকপা অমদি মেদিকেল ট্রিটমেন্টকী থবকশিং পায়খৎলি।

আই এম সীগী খোঙজং...

লামায় ১গী মখা... ফাওবগী মনুংদা চৎনহন্দ্রবদি য়ু এল বি পূম্নমক্লা মোত অমত্তা ওইনা এপ্রিল ২ দগী নুমিৎ নীনি মাস কেজ্যুএল লিভ লৌনবা অমদি এপ্রিল ৮ দগী থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শানবা অমত্তা ওইনা য়ানরে হায়না যুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীফমদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি য়ু এল বিগী ইমপ্লোয়ী পূম্নমক্লা চঙশিল্লকপা খোঙজং অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী ফেদরেসননসু এসোসিএসন অসিদা চপ চানা মতেং পাংবীনবা হায়জবা, ফেদরেসননা চঙশিল্লকপা খোঙজং পূম্নমক্তা য়ু এল বি ইমপ্লোয়ী এসোসিএসননা চপ চানা শৌগৎপা হায়না য়ানরে। মথক্কী ৱারেপশিং অসি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট খূদিংমক্তা থাদুনা খঙহনবা অমদি মীদিয়াদা শন্দোক্তুনা খঙহনবা হায়না ঙসিগী মীফমনা অমত্তা ওইনা লেপ্পখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

রেদ আর্মি অপরাইজিং দেগী ...

লামায় ১গী মখা... নিংতম য়াওল অমা চঙশিনবনি।

য়েলহৌঙৈদগী হৌনা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নরক্লবা চীংবুরোই-তম্বুরোই মশেল মরক্তা খাইবুং তানহন্দুনা অমগা-অমগা হাৎতোকহন্নবা থৌওং ইন্দিয়ানা ঙসিসু লেপ্তুনা চত্থরি। মালেমগী মীৎমাংদা জেনোসাইদ চত্থরি হায়বসি ইফোং ফোংনা তাক্লি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী শাফূ কল্লবা থৌরাং অসি ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্লা খঙসিন-উশিন্নদনা লৈথোক্তুনা কংলৈ মীয়াম্বু শন্দ্রেম্বী ইমাদি ঙক য়ৌরে হায়বগী ফীভমদু তাহল্লকখি। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী মচৎ অসিদি চীংমী-তম্মী মীয়াম হুপ্পা খঙমিন-উমিন্নদুনা শাফূ কল্লবা থৌরাং অসি ময়া কুমহন্দুনা অরেম্বদা তারে। অমরোমদসু ৱার ক্রাইম তৌবশিং, জেনোসাইদ চত্থবশিং অমসুং কেমিকেল খূৎলায় শীজিন্নবশিংগী মথক্তা চৈরাক পীবগী য়ু এনগী থৌওং অসিনা মীওইবা কাঙলূপকী অপূনবা খোঙথাংবু ৱাহন্থোক লৈহল্লি। সিরিয়াদা হূ য়াওবা কেমিকেল খূৎলায় শীজিন্নদুনা মীয়াম হাৎখি হায়বগী ৱাফমদা য়ু এননা চঙশিন্দুনা থিজিনবা হৌখিবা অমসুং কেমিকেল শুংবা খূৎলায়শিং মাঙহনখিনবা হোৎনরকপা অসি য়ু এননা মালেমগী য়াইফ খোঙথাং চঙশিল্লকখিবগী শীংথানিংঙাই ওইবা থৌশিলনি। লৈঙাক্লোনগী, শেল-থুমগী, খুন্নাইগী নৎত্রগা মহৈ-মশিনগী মরীদা য়েংলগা মীখা পোল্লিবা লৈবাক অমবু মরোমদোম লেপচবা মতিক চাদ্রি হায়বা ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইরগা লৈঙাক্তগী মনিং তমহনবদা থেংথহনবা য়াবা নত্তে। মীখা পোল্লবা খুন্নাইচাশিং অদু মনিং তমহন্নবা অমসুং মপূশিংদগী লৈবাক অদু ঙাকচনবগী পাঙ্গল অদু খুন্নাইচা মশা-মশাদুদা শীন্নবা অমসুং মখোয়না মশাগী নিংতম্ববু মপূং ফানা ফংজনবা অমদি ঙাকপা ঙমজনবা থৌরাং পূম্নমক তঙাইফদনা লৌখৎকদবনি হায়বনচিংবা মরোমদোম লেপচবগী রাইটশিং অসি শোয়দনা ফংহন্নবা য়ু এননা কয়ারক হন্না ৱারেপ লৌদুনা অমসুং মালেমগী লৈবাকশিংদা তকশিন্দুনা লাক্লিবনি। মরোমদোম লেপচবগী রাইট অসি ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিশকী ষ্টেট্যু আর্টিকেল ৩৮ শুবদসু মরিক চুম্না য়াওরি হায়রি।

ইন্টরনেসনল কোবেনেন্ট ওন ইকনোমিক সোসল এন্দ কলচরেল রাইট অমসুং ইন্টরনেসনল কোবেনেন্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটকী আর্টিকল অহানবনা কাঙলূপ নৎত্রগা ফুরুপ খূদিংমক মরোমদোম লেপচবগী রাইট তানবা য়াহল্লি। য়ু এননা ২০শুবা চহীচা তঞ্জায়দগী চত্থরকখিবা দিকোলোনাইজেসন থৌশিল অসিনা মালেমদা ঈং-চিকপা য়াইফবা পুরক্কনি হায়বগী মীৎয়েংদা চত্থবা য়াম্না মরুওইবা খোঙথাংনি। নামিবিয়া, সাউথ সুদান, কোসোবো, ইষ্ট টিমোর, অন্দোরা, আমগা, কম্বোদিয়া, কোমোরোস অমসুং ক্রোসিয়ানচিংবা মালেমগী লৈবাকশিংনা মরোমদোম লেপ্পবা হোৎনবদা য়ু এননা চাওরবা থৌদাং লৌখি। লোইলমগী চৈনা খাঙলিবা লৈবাকশিংগী নিংতম্বা ফংহন্নবা হোৎনবদা অমসুং লৈঙাক্তগী নান্থোক্লবা লৈবাকশিংনা মতিং লৈবা মরোমদোম লেপচনবা হোৎনবদা য়ু এন ওনা মপূ ওইনা চৈঙাক পীদুনা লাক্লি। *মথং মথং...*

৬ শুবা ওল মণিপুর ফোক ড্রামা ফেষ্টিভেল ২০১৮ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থুং মখাদা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা ৬ শুবা ওল মণিপুর ফোক ড্রামা ফেষ্টিভেল ২০১৮ ঙসি য়ুনিয়ন অসিগী ওডিটোরিয়মদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ডা: রাধেশ্যাম য়ুম্নাম, মেম্বর মণিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লি, চিয়রমেন মণিপুর ইন্দষ্ট্রিয়েল ডিভলপমেন্ট কোওপরেসন লিমিটেদ এন্দ মণিপুর ইলেক্ট্রোনিক ডিভলপমেন্ট কোওপরেসন লিমিটেদনা চীফ গেষ্ট, ডা: আই এস কাংজম, প্রসিডেন্ট, দি কৃসিস ফোরম মণিপুরনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং এ শ্রীগোপাল সিংহ প্রসিডেন্ট মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ননা প্রসিডেন্ট ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডা: রাধেশ্যাম্না থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ননা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্নরগসু লমদম অসিগী ট্রেডিসনবু য়োকখৎতবা য়াদে খন্দুনা ৬শুবা ফোক ড্রামা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি। ঐখোয়গী নাটকী ওইবা আইদেন্টিটি উৎনবা হোৎনবদা কলচরগী হেরিটেজ কয়াবু য়োকখৎপা মথৌ তাই।

মহাক্লা হায়, ফোক ড্রামা ফেষ্টিভেল অসিনা লিলা তৌরিবা মী, অইবা, প্রদ্যুসর, ডিরেক্টরশিংগী প্লেটফোর্ম মা পীরিবনি। থিয়েটর গ্রুপশিংনসু লিলাগী খোঙচৎ অসিবু চাওখৎনবগীদমক য়েংলিবা মীয়ামগী থম্মোয়গা চুনবা লিলা মখলশিংসু পুথোকপা মথৌ তাই।

পাঙথোক্কদৌরিবা ৬ শুবা মণিপুর ফোক ড্রামা ফেষ্টিভেল অসিনা ঐখোয়গী কলচর আইডেন্টিটি শোয়দনা পুরকপা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি পি সেতুনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়, মণিপুরগী ফোক ড্রামা অসি মতম অমগী থিয়েটরগী গুরু কয়ানা থম্বীরম্বনি।

ড্রামা মখল অসিবু মতম অমদা থিয়েটর গ্রুপ কয়ানা য়াম্না পান্না শান্নরম্মী অমসুং মীয়াম্নসু থৱাই তানা য়েংনরম্মী। অদুবু মতমগী অনৌবা য়াওল অসিনা ফজখ্রবা লিলা মখল অসি মুৎখিগদৌরে।

মহাক্লা হায়, ঈনাৎ, লাইনিং-লাইশোনগা শাগোন্নরিবা ফোক ড্রামা অসিবু মতম পুম্বদা চং চং লাওনা থম্বা ঙম্নবা এম ডি য়ুনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরদগী শেনফম খরা নিজদুনা শিঞ্জবনি। এম ডি য়ুগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা থিয়েটর গ্রুপশিংদা ফেষ্টিভেল অসিবু শরুক য়াবিয়ু হায়জরুবদা হরাও হরাও য়াবিরকপগীদমকসু থাগৎচরি অমসুং মতুং তারকপদসু হায়রিবা থিয়েটর গ্রুপশিং অসিগী কোওপরেসন লৌদুনা হেন্না মাই পাক্লা শিনবা ঙম্বা ওইজগে হায়নসু মখা তাখি।

৬ শুবা ওল মণিপুর ফোক ড্রামা ফেষ্টিভেল ২০১৮ অসিগী হৌদোকপা নুমিত্তা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন ইম্ফালগী ঐচ তোম্বনা ইবা অমসুং ঐচ দেবেননা ডিরেক্সন পীবা পিদোননু হায়না মীংথোনবা প্লে উৎখি।

কুমওন পাঙথোক্তুনা মনা লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস) : নুপীশিংগী খোরিরোলগী লূপ অমা ওইরিবা মচা চনু ককচীং লিংখৎখিবগী ১৬শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মনাশিং লান্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ফৌশুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচীংগী মীপূনশঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লান্থোকখিবা মনাশিং অদুদি, চন্দ্রশখি লাইশ্রম লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্ড ২০১৮ দা শৌগাইজম থানিল পদ্মশ্রী, দেবষানী ককচীং লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্ড ২০১৮ না হৈস্নাম সাবিত্রি পদ্মশ্রীদা খূৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা ললিত কালা একাদেমি এৱার্দী প্রো. থোইদিংজম তোম্বীনা অথোইবা মীথুং, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রাজেন্দ্রনা অখন্নবা মীথুং অমদি মচা চনু ককচীংগী প্রসিদেন্ট ডো. নোংমাইথেম প্রমোদিনীনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা নাওরেম অমুয়াইমা (পন্দিট অচৌবা)না ইবা লাইরিক *চীংলেন লাইহুই* কৌবা অমসু ফোঙখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী নারকোটিক সেলনা ময়াই কাবা দ্রগ চাবা ৬, য়োনবা অমা ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী নার্কোটিক সেলনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা মীওই তরুক, অয়োনবা অমা য়াওনা লুপা লাখ ৪,০০,০০০ রোমগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটকা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা সেগা রোদ কোঞ্জেং হজারি লৈকাই জেলর লৈরক্তা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট নার্কোটিক সেলগী ও সী কে রঞ্জিৎনা লূচিংবা টিম অমনা থি-হুম্বা চত্থবদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা মীওই তরুক অমদি অয়োনবা অমা য়াওনা মীওই ৭ ফারে।

ফারবা মীওই তরেৎ অদুদি কৈশাম্পাৎ জেলর লৈরক্তগী লাইশ্রম সুশিলচন্দ্র (৪০), কৈশামথোং তোপ লৈরক্তগী সোইবম অবে (৩০), অপোকপা লৈখিদ্রবা এস ইবোয়াইমা, লৈকাই অসিমক্তদগী খুন্দ্রাকপম ওকেন্দ্রো (৩৭), কে ঐচ নরেন্দ্র (৩৯), কৈশাম্পাৎ জেলর লৈরক্তগী লৈখিদ্রবা অসেম বাবুধোনগী মচানুপা অসেম পিকু, সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকাইদগী লাংপোক্লাকপম জোকনে (২৬) অপোকপা এল প্রেমচান্দ, কৈশাম্পাৎ জেলর লৈরক্তগী লাইশ্রম ওংবী অন্নাবতি (৪২) অমদি কৈশাম্পাৎ কোঞ্জেং হজারি লৈকাইদগী অসেম গুদুম্বা (১৯) অপোকপা অসেম সুনিলনি।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ফারবা পোৎলমশিং অদুদি দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৮, এম এল আরগী নোংমৈ মরূ অমা, এ কে ৪৭ মরূ অনী, নাইন এম এমগী মরূ অমা, এম্পটি কেস অমা, টোই গন অনী, দ্রগ য়োনবগী শেল লুপা ২৬,০০০ য়াওনা লাইশ্রম সুশিলচন্দ্রগী য়ূমদগী ফাবনি হায়রি। অতৈ মীওই তরুক অদুনা লৈকাই অদুদা থি-হুম্বা চত্থবদা ফাবনি। মখোয় দ্রগ চাবা ঙাক্তনি হায়রি।

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ/NOTICE

It is for general information that Shri Usham Sanayaima Singh S/o (L) Usham Pukchau Singh of Keirak Usham Leikai, Kakching District who was a partner of **M/S SRAS** (a partnership firm located at Keirak) has retired from the partnership w.e.f 1st April, 2017. So, in the place of Shri Sanayaima Singh, his grandson Ananda Usham of Keirak Usham Leikai has been inducted as a new partner of **M/S SRAS,** Keirak w.e.f 1st April 2017.

Sd/- **N. Shyamananda Singh**
Managing Partner cum Chief Executive Officer
M/S SRAS, Keirak
HL-P/855/26

[illegible]

মণিপুরগী অতাংবা পাইলসকী ওজা অব্দুল হকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, শৌজ মনুং-মপান্দা পোম্বা, শোকপদা নাবা, চিকপা, শাবা, চাথৎলগা থুপ্পা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী চেকখায়রগা ঈ তাবা, গ্যেষ্ট্রিককী মওংগুম পুক খোংবা, খ্বাঙ নাবা, লেঙশিনবা, চানিংবা পোক্তবনি। ওজাগী হিদাক ঐহাকসু চাজবদগী মথক্তা পঞ্জখ্রিবা লায়নাশিং অসি মপুং ফানা ফজখি। ওজাবু পুন্সিদা কাউজবা ঙমজরোই। মীয়ামগী সেবা পুন্সি নুংশাংনা তৌবা ঙমহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজরি লোয়ননা মহাকপু পাউচেগী থোংদা থাগৎপা ফোঙদোকরি।

লায়েংজরিবা ঃ **কবিরাজ অব্দুল হক**
কন্টেক নম্বর ঃ ৮০১৪৬২৩৭৫৬ / ৯৩৮৩২১৪৭৪৭
ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং।

থাগৎচরিবা : **A. NGAMBA**
URIPOK NAOREMTHONG
HL-P/733/26

BEFORE THE OATH COMMISSIONER: BISHNUPUR:MANIPUR

AFFIDAVIT

I, Kumam Deepak Singh, S/o K. Manimohon Singh, resident of Moirang Kumam Leikai, P.O. Moirang, District Bishnupur, Manipur, do hereby say and solemnly affirm as follows :

1. That, I am the father of Kumam Deepankar Singh My Aadhaar No. is 3740 6432 1897. This is true to my best knowledge.
2. That, my son is a student of New Model Public School. His Aadhaar No. is 9586 4686 4605 1709. This is true to my best knowledge.
3. That, my name of my son was recorded as Kumam Rahul Singh at the time of his admission in the school. But in his Aadhaar Card his name is recorded as Kumam Depankar Singh.
4. That, Kumam Rahul Singh is the family name but his correct name should be Kumam Deepankar Singh. This is true to my best knowledge.

Verified this 23rd day of March 2018 that the above statements of this affidavit are true to the best of my knowledge and belief and nothing material is concealed therefrom.

By : Advocate
K. Rajendra Singh

Signature of Deponent
K. Deepankar Singh

HL-P/859/26

ꯃꯥꯡꯂꯕ/ BANK PASSBOOK LOST

I have lost my Bank Passbook of State Bank of India, Thoubal Branch bearing Account No. 11746732300 on the way from Thoubal to Leishangthem on 20-03-2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Yengkhom Babudhon Singh
Leishangthem Awang Leikai, Thoubal
P.O/P.S. Thoubal ☎ **9612379232 / 8413958975**
HL-P/5046/26

[illegible]/CONDOLENCE

A condolence meeting of Sagolband BJP Mandal, Morcha members was held on 25th March 2018 at the Mandal Office, Sega Road, Takhellambam Leikai for the sudden untimely demise of **Shri Ph. Shantikumar Sharma,** Sega Road, Takhellambam Leikai who was the president Booth Level Committee 11/11 Sagolband Mandal. Two minutes silence was observed and prayed to the Almighty God for his soul to remain in peace.

Sd/- **Salam Jayantakumar**
General Secretary, **BJP Sagolband Mandal**
HL-P/857/26

[illegible]/ইনাও লাইশ্রম সুধাকর (শামু) না তৌরু তৌরুবা খুদিংমক ঈশ্বরনা চানবীবা ওইরসনু



L. Sudhakar

মোইরাং খুনৌদগী ঐ নিংথৌজম ওংবী চন্দ্রমুখি দেবী হৌজিক হৌজিক্লা ক্বাকৈথেলদা লৈজরিবী ঐগী ওইথংবা কিদনীদা নুঙ অমা লৈরে হায়না অলট্রা সাউন্দ লৌজরুবদা থেংনখি। অদুবু লাইবক ফবদগী পুকচেল চাউরবা শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা **লাইশ্রম সুধাকর (শামু)**-গী হিদাক হপ্তা মরি চারবা মতুংদা অলট্রা সাউন্দ অমুক লৌদুনা য়েংলুবদদি নুঙ অদু লৈরমদ্রে। মসিগীদমক্তা ইনাওবু অদুক্কী মতিক নুংঙাই ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ইনাওনা তৌরুবা খুদিংমক মায় পাকপা ওইবীয়ু হায়না পাউচেগী থোংদা হায়জরি।

Sd/- **Ningthoujam (O) Chandramukhi**
Kwakeithel/ Moirang Khunou
HL-P/837/26

[illegible]/খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, শা-ঙা, থাও, মোরোক চারগনা পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা খোঙ হাম্বদা অমুক হেন্না নুংঙাইতবা, ফম্বী শোনবা, খোঙ হাম্বদা অমাঙথোংদা খুজিল্লগা য়াম্না চিকপা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু হন্না হন্না থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, শা-ঙা, থাও, মোরোক চারগনা পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা খোঙ হাম্বদা অমুক্কা হেন্না নুংঙাইতবা, ফম্বী শোনবা, খোঙ হাম্বদা অমাঙথোংদা খুজিল্লগা য়াম্না চিকপা নাবা অমদি খোঙ হাম্বা য়ানবা কন্না শংবদা অমাঙথোংদা চেকখায়রগা ঈ কাপথোরকপা, খোঙ হাম্বা লোয়রগা হৌগৎলকপদা কপ্লাক মরি নাবা, কোক ঙাওবা, খোঙ খুৎ শিথবা, পোৎ চৈ পায়বা ঙমদবা, তাং তাং চিকপা, ঙকশম মরি, খ্বাঙ, লেঙজুম তোয়না চিকপা নাবা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা ফুরি মকুপ মকুপ শৌরগা নাই চাবা, য়াম্না চিকপা নাবা, ফম্বা ঙমদবা, নোংম নোংমগী হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, পুক্তা য়েকপা থিনবা তৌরগা খোঙ হাম্নিং হাম্নিং তৌরগা অদুম লৈবা, খোঙ হামগে হায়না চঙলুরগনা শেংনা হামদোকপা য়াদবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফদুনা হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

থাগৎচরিবা: **M. INAOCHA**
Mayang Imphal
HL-P/786/26